# ঈ এস য়ু অমদি নাকো মায় পাক্তু না মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে

FOOTBALL

TODAY MATCH
UUFC VS DM RAO
(1.30 PM)



এম এস ৰাই সিগী সৈমিনলালনা পুখিবা বোল নাকোগী মিলনকুমারনা মুন্নবা তানরকখিবা।

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
ঈ এস য়ু ৰাঙ্খৈ অমদি নাকো নম্বুল মপাল হৌজিক ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চখরিবা ৫৭ শুবা সি সি মিট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মায় পাক্তু না মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ঈ এস য়ু ৰাঙ্খৈনা এল এস সি চুডাচান্দপুরবু গোল ৫–১ দা মায়থীবা পীরগা মথংগী রাউন্দ চঙখিবনি। ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ভিক্টরনা ২২ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা অনী, ৰোরঙাহন, ৰাই অনিলকুমার অমদি থাংবো চিরুনা মথংশিংনা ৫৪, ৫৭ অমদি এদিসনেল টাইমগী ২ শুবা মিনিট (৯২) দা অমমম চনখিবনি। এল এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দরমাৰিনা ১১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৯২ শুবা মিনিটতা ঈ এস য়ুগী থাংবোই চিরু, সাঙ্গ্রেরো কৈসিং অমসুং এল এস সিগী দরমাৰিদা রেফ্রিনা ৭২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা নাকো নম্বুল মপালনা এম এস ৰাই সি চুডাচান্দপুরবু গোল ৮–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। নাকোগী গোলশিং অদু কে ন্যুতন সিংহনা মেটচকী ১৬, ২৫, এদিসনেল টাইমগী অহানবা মিনিট (৪৬), ৬১ অমদি এদিসনেল টাইমগী ২ শুবা মিনিট (৯২) দা গোল মঙা চনখি। এন জসোবন্ত সিংহ, মিলনকুমার অমদি এ রবিচন্দ্র সিংহনা মথংশিংনা ৩৪, ৩৫ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

এম এস ৰাই সিগী গোলশিং অদুনা লুনমিলেন, জেসি অমদি গিনমাঙনা মথংশিংনা ১১, ৫৭ অমদি এদিসনেল টাইমগী অনী শুবা মিনিট (৯২) দা গোল অমমম চনৎখবনি। এম এস ৰাই সিগী থানপাও অমদি কামিনসৈদা রেফ্রিনা মেটচকী ৭০ অমদি ৭৬ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

নাকোগী কে ন্যাতোন সিংহদা মেটচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমগসু বুক তৌখি।

57TH CC MEET FOOTBALL

২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টা চেম্পিয়নসিপ

# মণিপুরনা মখা তানা গোল্ড ১৯, সিলভর ৩ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নগী আশা তৌখ্রে

THANG - TA



সেনিয়র মেন্স ফুন্নবা অনীশুবগী ফাইনেল বাউতা মণিপুরগী প্রেমকুমার অমদি জে এণ্ড কেগী অলিফনা থেংনখিবা।

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
খুন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখরিবা ২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টা চেম্পিয়নসিপকী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগা গোল্ড ১৯ অমদি সিলভর ৩ লৌখিবগা লোয়ননা টিম চেম্পিয়নগী আশা তৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা সাই এন ঈ আর সিগী দিরেক্টর ডাঃ সুভাস বাসুমাতরি, ওর্গনাইজিং কম্মীটিগী চিয়ারমেন ঐচ প্রেমকুমার সিংহ, এম য়ু স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ অমদি সাই এন ঈ আর সি ইম্ফালগী কো ওর্দিনেটর এ জাদুমনি সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েম্থোক্কনি।

ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গার্লসকী ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টকী কে জি ২৫ মখাগীদা দিল্লিগী সুনিধি, মণিপুরগী এ প্রেমিতা দেবী অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী এমন বিলালনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ২৯ মখাগীদা মণিপুরগী ৰাই দয়ারানি দেবী, অসামগী অরপিতা শর্ম্মা অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা মুইজানা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৩৩ মখাগীদা মণিপুরগী কে পিঙ্কী চনু, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী তাঞ্জিলা অমদি মহারাষ্ট্রগী তানিয়া রাজেন্দ্রকাদমনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৩৭ মখাগীদা মণিপুরগী ঐচ দেবিকা চনু, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা সিবত ফরুক অমদি মহারাষ্ট্রগী সিবাঞ্জলি সিবজি পৱরনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৪১ মখাগীদা মণিপুরগী এম বিদ্যালক্সমী দেবী, দিল্লিগী নিহা অমদি হরিয়ানাগী পুজানা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৪৫ মখাগীদা মণিপুরগী এ পুর্ণিমাসি দেবী, ট্রিপুরাগী অনুরা চকমা অমদি হরিয়ানাগী জোতিনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৪৯ মখাগীদা অসামগী ৰাই নিহা দেবী, দিল্লিগী নিহা রঘব অমদি মণিপুরগী এল সনাতোম্বী দেবীনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৫৩ মখাগীদা নাগালেন্দগী এল সিলপা দেবীনা গোল্ড অমদি মণিপুরগী এন জি প্রেমি দেবীনা সিলভর লৌখ্রে।

কে জি ৫৩ মথক্কীদা মণিপুরগী এল সয়ালক্সমী দেবীনা গোল্ড অমদি তামিল নাদুগী জে জয়শ্রীনা সিলভর লৌখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকী ফুন্নবা অমগী কে জি ২৫ মখাগীদা মণিপুরগী পি কুমার দিপেন্দ্র, হরিয়ানাগী ভাবদিপ অমদি ত্রিপুরাগী সুভাসিস সিনহানা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ২৯ মখাগীদা মণিপুরগী সি ঐচ লিঙ্কীনা গোল্ড অমসুং নাগালেন্দগী কে ঐচ নোংদম্বনা সিলভর লৌখ্রে। কে জি ৩৩ মখাগীদা মণিপুরগী এ অমুজাও মৈতৈ, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী ৰাকর ফায়াস অমদি অসামগী এন জি লখন সিংহনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৩৭ মখাগীদা মণিপুরগী এস শামাল সিংহনা গোল্ড, নাগালেন্দগী এ লকি সিংহনা সিলভর অমদি দিল্লিগী শাহিলনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৪১ মখাগীদা মণিপুরগী এন লময়ানবা মঙাংনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী নসির নিশারনা সিলভর অমদি এম পিগী দেবেন্দ্র রাজপুটনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কে জি ৪৫ মখাগীদা মণিপুরগী এন রোহিট সিংহনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী ইরকাব ফরুক্কা সিলভর অমদি দিল্লিগী সৌরবনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৪৯ মখাগীদা মণিপুরগী এল বির্জিট গোল্ড, দিল্লিগী রাহুলনা সিলভর অমদি এম পিগী সুভান্সু মহেশ্বরিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৫৩ মখাগীদা মণিপুরগী টি টোলেনসনা সিংহনা গোল্ড, নাগালেন্দগী এন বিদ্যানন্দা সিংহনা সিলভর অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা মুজতাহিদ মুষ্টাক্কা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কে জি ৫৩ মথক্কীদা দিল্লিগী অরপ্রিদনা গোল্ড, মণিপুরগী এল ভিক্টর খুমননা সিলভর অমদি পঞ্জাবকী লোকেশ ঘাহলাৰটনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

জুনিয়র গার্লসকী কে জি ৪৪ মখাগীদা মণিপুরগী ৰাই সনাতোম্বী চনুনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী নুহা মনজুরনা সিলভর অমদি ট্রিপুরাগী সরিয়ান্তি রিয়াঙনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৫২ মখাগীদা মণিপুরগী এস রোজিতা দেবীনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী অরুসা জাহুরনা সিলভর অমদি হরিয়ানাগী কবিতানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৫৬ মখাগীদা মণিপুরবী দব্লিউ রেজিয়ানা গোল্ড অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী মেহক বিলালনা সিলভর ফংখি। কে জি ৬০ মখাগীদা মণিপুরগী এন লক্সমিবালা দেবীনা গোল্ড অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী রাবিয়া ফরুকনা সিলভর ফংখি। কে জি ৬৫ মখাগীদা মণিপুরগী এ দাইনা দেবীনা গোল্ড অমদি দিল্লিগী স্বেতানা সিলভর ফংখি।

## বি কে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
নোংইন ইন্টিগ্রেটেদ ব্যুজিনেস সোলুসন প্রাইভেট লিমিটেদ স্পোন্সর তৌরগা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুনা শিন্দুনা মথং চহীগী জনুৱারি তাং ৫ দগী ইরিলবুং হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা ৫ শুবা বি কে ট্রোফি ষ্টেট লেভেল টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌরগনি।

ৰিন্নর অমদি রন্নরদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০ অমদি ১০ লৈগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লবা য়াগনি হায়রি।

## নেস্নেল ইতোসু রিয়ু করাটে–দো চেম্পিয়নসিপ

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
মহারাষ্ট্রগী পনভেলদা থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯ শুবা নেস্নেল ইতোসু রিয়ু করাটে–দো চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং ইতোসু রিয়ু করাটে–দো মণিপুরনা লাওথোকখ্রে।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শারুক্ক য়ান্নবা খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি চহী ১৮ মথক্কীদা মুহমদ সহিদ অহমদ, মুহমদ সকির অহমদ, এম দি মুস্তো খান্দ, জুনিয়রগী চহী ১৬–১৭ কীদা কে ঐচ অজিস, এম এম ইস্মেল অমদি জুনিয়রগী চহী ১৪–১৫ নৱাজ সরিফনি।

টিম কোটচ অমদি মেনেজরনা সনসে এম দি রফি অহমদনি। মণিপুর টিম অসি থা অসিগী ২০ দা মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

## এম য়ু স্পোর্টসকী মেদল ৱিন্নরশিংদা এৱার্ড য়েন্থোক্লগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
হৌখিবা চহী ২০০৮–০৯ দগী ২০১১–১২ কীদা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্টতা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংদা এৱার্ড পীবগী অচম্বা থৌরম অমা থা অসিগী ২৩ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ডাঃ কমল ইন্দোর হোলদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লগনি।
ওফিসিয়েল অমদি শান্নরোইশিংনা মতম চানা লাক্কনবসু দিপার্টমেন্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ

# দুৱেন্দি অমদি রাহুল পামৈ চহী ১২ মখাগী সেমি চঙখ্রে

TENNIS



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসার ক্লবকী টেন্নিস কোর্টতা চখরিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৩গী চহী ১২ মখা নুপামচাগী সিঙ্গলস্তা রাহুল পামৈ অমদি দুৱেন্দি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১২ মখা নুপামচাগী প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা রাহুল পামৈনা গৌরবপপু গেম ৭–২ দা অমদি রজিপ্পা এন পারসপু গেম ৭–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিংদা দুৱেন্দিনা রোমেশপু গেম ৭–২দা অমদি রাহুল পামৈনা বেন্সনবু গেম ৭–২ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

চহী ১৪ মখা নুপামচাগী শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা অভিসেখনা সিবা আর কে বু গেম ৭–৪ দা, রজিপ্পা রাহুল পামৈবু গেম ৭–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চহী ১০ মখা নুপামচাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা কে ৱাল্টরনা এল পারসপু গেম ৪–৩ দা অমদি এল পারসনা সুশিলবু গেম ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চহী ৪৫ মথক ভেটেরান দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা টি জোয় অমদি বোনগী জুরানা টি পামৈ অমদি সি ঐচ লৈসেমসনাগী জুরাবু গেম ৯–৫ দা, প্রকাস অমদি ইবুংঙোমচাগী জুরাবু, দিগেন অমদি কলাগী জুরাবু গেম ৯–৭ তা অমসুং টুলেশ্বর অমদি দিল্লিপকী জুরানা তোম্বা অমদি রঞ্জিৎকী জুরাবু গেম ৯–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেন্স দবলসকী শান্নখিবা মেটচশিংদা প্রেমজিৎ অমদি লেলেঙ্গিগী জুরানা রতন অমদি দিকিগী জুরাবু গেম ৯–০ দা, সরত অমদি লিওনার্দোগী জুরানা দেবাসিস অমদি সুপরমেনগী জুরাবু গেম ৯–৩ দা, কাংজাম্বা অমদি পামৈগী জুরানা দিগেন অমদি রাকেশকী জুরাবু গেম ৮–০ দা, অজাৎ খান্দ অমদি অমর্জিৎকী জুরানা জয়েন্তা অমদি গীতরঞ্জনগী জুরাবু গেম ৮–৪ দা অমসুং টুলি অমদি ভেকরগী জুরানা প্রদিপ অমদি প্রকাসকী জুরাবু গেম ৮–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেন্স সিঙ্গলকী অহানবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচতা এন কাংজাম্বনা ৰাই খাববু গেম ৯–০ দা, টি ব্রোজেননা বিশাল সলাম্বু গেম ৯–১ দা, কাইতিম্থাংনা এল রোহিদপু গেম ৯–০ দা, অজাদ খান্দনা দেনিয়েলবু গেম ৯–০ দা, এ সরতনা টি বিশালবু ৯–৪দা, কে ঐচ বোনানা টি বোনিবু গেম ৯–৩ দা, বোন সিংহনা নিসান্টপু গেম ৯–১ দা, ৰাই লেলেঞ্জিনা এন সুরেশপু গেম ৯–১ দা, কে ঐচ অমির্জিৎনা এল জিতেনবু গেম ৯–১ দা, ঐচ দেবাসিসনা টোনিবু গেম ৯–৭ তা, কে জিপসননা অভিসেখপু গেম ৯–৩ দা, রিভাস্করনা টি ঐচ সুপরমেনবু গেম ৯–৩ দা, বেকরনা লিওনার্দো পামৈবু গেম ৯–৭ তা, টি ব্রোজেননা কাইতিম্থাংবু গেম ৯–১ দা অমদি রিভাস্করনা কে গীপসনবু গেম ৯–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা পুজানা লিম্থোইবু গেম ৮–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

# পালমৈপুই কমাউপি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ*
শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চখরিবা অহানবা পালমৈপু কমাউপি মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী গ্রুপ লীগকী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা ক্বাটর ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা নমদুনলোংনা চোঙ্খু তৌরোংবু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। নমদুনলোংগী গোলশিং অদু জোন্সননা ২, থাইঙমপৌ অমদি রিয়ুবেননা অমমম চনখিবনি। চোঙ্খু তৌরোংগী গোল ২ অদুনা জোনাথন অমদি লানশিনলুংনা অমমম চনখিবনি।

গ্রুপ (দি)গী শান্নখিবা মেটচতা লংথবাল খৌপুম্না পৌনিং তৌরোংবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। লংথবাল খৌপুমগী গোলশিং অদু অখম, চুংমেল অমদি সিনমৈনা মথংশিংনা ১, ১২ অমদি ৩৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

পউনিংতৌরোংগী গোল ২ অদুনা লনচারোং অমসুং অগাসিনা ২৮ অমসুং ৩১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হয়েংগী অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা গ্রুপ (এ)গী ৰিন্নর দুইগাই পাংজাংগা গ্রুপ (বি)গী রন্নর শওম্বুং লমদাইগা অমদি অনীশুবা ক্বাটরদা গ্রুপ (বি) গী ৰিন্নর সাইরেমগা গ্রুপ (এ)গী রন্নর নমথানলোংগা শান্নগনি।

তাং ২১ গী অহানবা মেটচতা গ্রুপ (সি)গী ৰিন্নর নমগুইলোংগা গ্রুপ (দি) গী রন্নর লংথবাল খৌপুমগা অমদি অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ (দি)গী ৰিন্নর কাখুলোংগা গ্রুপ (সি)গী রন্নর নমদুনলোংগা শান্নগনি।

Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- ✓ Home away from home for day care
- ✓ Hygienic mid day meal for day care
- ✓ Audio Visual Classrooms
- ✓ Play-way method of teaching system
- ✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- ✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.
SL/29/19/B




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*